# মায় পাক্লবা মী - কনানো?

মায় পাক্লবা মী - সক্সেসফুল পর্সন - হায়বসি কনাবু/করম্বা মীবু কৌগদগে? হায়বসি মণিপুরদদি য়াম্না কুপ্না নৈননীংঙাই, খন্ননীংঙাই ওইরি। মরমদি, পূম্নমক য়ানবা, মহাক্না মায় পাক্লবা মী অমনি হায়না পুথোকপা য়াবা মীশক অমত্তা লৈতরি। মেত্রিক পরিক্ষাদা/সিনিয়র সেকেন্দরি এগজামদা মকোক ওইরকপা নহাশিংদু পরিক্ষাদুগীদি তোপ্পরনি অদুবু পূন্সিদা মায় পাক্লবা মীশক অমনি হায়রবদি য়াখিরোই। অসুম্না, ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিস এগজামদা মায় পাক্লক্লবা মীশিংদু সক্সেসফুল পিপলশিংগী মনুং চল্লক্লেদি হায়ববু, আই এ এস টোপ্পর অমদি অফবা সিভিল সার্ভেন্টশিং - মালেমগী/নেসনলগী থাক্তা মায় পাক্লবা মী ওইনা শীংথানবদা কৈদৌঙৈদা য়াওরক্তে। মীয়ামসিগী ৱাখলদা - মায় পাক্লবা মী হায়বসি মরলনা চীংগুম পৈরবা, মহাক্না মরম ওইদুনা মীওই কয়া হিংহল্লবা, মশামক্কী হৌরকফমদি খূমীৎ-খূদাংদগী ওইরকপা, মশামক্কী হোৎনজমল'না মশাগী লাইবক শেমজরকপা মখোয়শিংদু ওইগল্লি। মপা-মপু হাক্তক্তই মরলনা কৈরাক থারকপা, মপাগী মরলনা মিল্লিয়নিয়র ওইরকপশিং - কনানসু শীংথানদে। খ্বাইদগী ইনাক খুনবা ইন্দিয়ন খরা খনগৎপদা য়াওরিবা মুকেস অমদি অনিল অম্বানি - মায় পাকপা মীথোয়বা খরা খনগৎপদা য়াওদ্রগা মখোয়গী মপা ইবুংঙো ধিরুভাই অম্বানিগী মমিংদি কাউঙমদনা শোন্নরিবা করিগী? জমসেৎজি-টাটা'না 'টাটা' হায়বা মিং অসি ইন্দিয়ন খুদিংমক্কী মচিন্দা পকপা মিং অমা ওইহনগনি ৱাশকখিবদুগুম ধিরুভাইনসু ৱাশকখি - 'মৈঁ রখ লুঙ্গা মেরি মূথি মেঁ' (ইন্দিয়া পূম্ববু ঐগী খূবাম্নুংদা থমগনি) 'দ ৱর্ল্ড ইন মাই পোক্কেট' হায়বদুদগী ক্লু লৌরগা । মহাকথক্তা ঙমখিদ্রবসু মচা হাক্তক্তদি মাগী ৱাহৈ চুল্লকখি - মীয়াম্না শেন্বা গভর্ণমেন্ট অসি মাগী মচা অনীগী খূবাম্নুংদা লৈরবগা পাংখক্লি।

মণিপুরদসু অদুগুম্বা নুপা অমা লৈ। হৌখিবা চহী মঙা-তরাসিদা পানখিবা লৈঙাক অমদি ঙসি পাল্লিবা লৈঙাকসিগী শেমগৎ-শাগৎ-শেমজিন-শাজিনবগী থবক পূম্নমক মহাক লৈরমদ্রবদি ওইথোক্তবা অমা ওইরমগদবা। মমিংদুদি ইখূৎসিনা ইহনবীরনু। অদোম্না খনবীরিবদু শোয়দনা ওইরম্লগদবনি। মীওই লিশীং (নৎত্রগসু) চা কয়াগী ইমুং মনুংগী হিংনবই পাম্বৈ পীবিবা, মণিপুর কৌবা লমসিদদি মহাক নত্তবা অতোপ্পা অমা লৈরম্লোই। পোলিটিসিয়নশিংগী মরক্তসু, মাগী মাগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মীয়াম্না চহী মঙা-মঙাগী টর্ম অদু অহুম মরি মঙারক হঞ্জিন-হঞ্জিন থাগৎলক্তুনা মায়-পাক্না-ক্রোরপতি ওইহল্লবা পোলিটিসিয়ন ফনা য়াম্না পুথোকখ্রে। টর্ম অনী-অহুম্লক চীফ মিনিষ্টর ওইহনবসু য়াওখ্রে। অদুবু, মখোয় কনাসু মীয়াম পূম্বনা য়ানবা, কাউঙমদনা শোন্নবা মীশক অমদি ওইরক্তে। মসি করি মরমগীনো? নৈনরুবা কান্ননি। মায় পাকপা হায়বসি, মীশক্তুনা ক্রোরপতি/মিল্লিয়ন্নিয়র ওইরকপদুখক নত্তে। মশাগী লাইবক্কী ময়িদু মশানা ইজরকপদা তৌরম্বা থবক ময়াম অদুসু মরূনি।

'মায় পাকপা' হায়রগা কনাবু করম্না কোনশিন্দুনা নৈনগদগে? মদুসু অরুবা অমনি। মশীং লাকঙমদ্রবা মীওইনি 'মায় পাক্লবা-মী'গী কাখল মনুংদা চনশিন্দুনা থল্লিবা। কনাবু খন্দোক্লগা, কনাবু লৌখৎলুগনি - পীক্লবা পাউচে অমগী কাখল অমদা? ই'দি কন্না ইনীংলকই - মায়থীবা/মীখা পোনবই ৱাখল নত্তনা মায় পাকপা/মীকোক থোংবই ৱাখল পোকউ য়াদ্রবা লমদমসিগী মীয়ামসিদা। হায়নৈদনা, 'কনাগুম্বা অমনা খল্লিবা ৱাখলদুগী মখা পোন্না মশাগী লাইবক শেল্লকই'। ঙসিনা অমা, হয়েংনা অমা, হৌজিক্না অমা, হোরেন্না অমা হোংদোক-হোংজিন নাইবা ৱাখলদুদি য়াদবা। লেঙদবা/হোংবা নাইদবা/চপ য়ুংবা পূক্নিং অমনা লমজিংবা ৱাখল ওইবা তাবা।

অদুবু, জেনরেল ওইনা, মায় পাক্লবা মী অমগী মশক লেপ্পদা ঙসি-য়ুনিভর্সেল্লি য়েংনরিবসি মীৎয়েং মখল মরিদনি-

. লল্লোন-ইতিক অমদি শেল-থুমগী লম্‌দা মায় পাকপা।
. করিগুম্বা হীরম অমদা/মশানা পামজবা হীরমদা থোইদোক-হেন্দোকপা মীথোয়বা অমা ওইরকপা - খুদম ওইনা, সাইন্স, স্পোর্টস, আর্ট অমদি কলচরগী লম্‌ অমদা।
. পোলিটিসিয়ন অমা ওইনা, পোলিটিকেল সক্সেস ফংলবা।
. অতোপ্পগী ফিদম ওইরকপা অমদি অতোপ্পা মীওই কয়াবু পূক্নিং ইথিল পীবা ঙম্বা।

ময়ামগী মিং খনগৎপদা, মাইক্রোসোফকী ফাউন্দর বিল গেটস, গুগলগী কো-ফাউন্দরশিং লেরি পেজ অমদি সর্জি ব্রিন, এপল কম্প্যুটরগী মতেংদগী আই-পোদ, আই-পেদ, আই-মেকনচিংবা অওনবা পুরকখিবা, ঊচি অমবু মালেমগী এন্টরটেইনমেন্ট ইন্দষ্ট্রিগী মরু ওইবা ক্যারেক্টর ওইহল্লম্বা ৱর্ল্ড-দিসনি, ফোর্দ মোটোর কম্পেনিগী মপু হেনরি ফোর্দকী মিং- কনানসু হুন্দোক্লরম্লরোইদবা মিং ঙাক্তনি। মখোয়গী ৱা খল্লুবদা নীংশিংদবা ঙমদে ইনফোসিসকী কো-ফাউন্দরশিং - নরায়ন মুর্তি অমদি নন্দন নিলকেনি। নন্দন নিলকেনি - ২০১৪ পার্লিয়ামেন্টকী ইলেক্সন্দা মীরেপ ওইখিবা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী ইনাক খুনবনি। অনৌবা ইন্দিয়া অমগী মঙ লল্লোনবা পোলিটিসিয়নশিংগী মঙগী হৌফম ওইরিবা আধার কার্দ- মাগী ৱাখলগী পোথোক্নি।

'হেরি পোত্তর' - খ্বাইদগী মায় পাকপা হোল্লিৱুদ ফিল্ম সিরিজ অদুগী অইবী 'জে কে রোলিং' - ইচম চম্বা লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ী অমখক ওইরম্বদগী 'হেরি পোত্তর' সেরিজগী লাইরিকশিং অদুনা বিল্লিয়ন্নিয়র ওইহনখি। মাগী লাইরিকশিং মিল্লিয়ন ৪০০গী মথক্তা য়োন্দুনা মালেমদা রেকোর্দ থল্লিবনি। জে আর আর তোকিঅন, 'লোর্দ ওফ দ রিংস' কী বৃটিশ অইবা অসিসু কুনশুবা চহীচাগী খনগৎলবা মমিং চৎলবা, মিল্লিয়ন্নিয়র রাইটরশিংগী মরক্তা অমনি। ঙসিমক হিংলিবা, ফেনোমেনন অমা ওইরিবা অইবা খরা খনগৎপদা অমেরিকাগী ষ্টেফেন কিং, ইন্দিয়াগী চেতন ভগৎ অমদি অমিস ত্রিপাথিগী মমিং করম্না হুন্দোক্লমগনি?

জোন লেন্নন, মাইকেল জেক্সন, মদোন্না - শৈশকপশিংগী মরক্তা তোমথিন ওইবা শক্তমশিংনি, মায় পাকপই কৈরাক্তা পন্দোল লোম্না কাখিবা। মখোয়দুই মরক্তা বোল্লিৱুদকী 'এ আর রেহমান' হুন্দোকপা য়ারক্লিবনি। অলফ্রেন্দ হিতচকোক, জোর্জ লুকাস, ষ্টেফেন স্পেইলবর্গ - মাষ্টর ফিল্ম মেকর ওইরম্বতা নত্তনা মরল লৈবা ফিল্ম প্রদ্যুসরশিংসু ওই'ঙমখি। অদুবু, বর্গমেন - আইজেনষ্টাইন - কুরোসোৱা-সত্যজিৎ'কুম্বা মরল-হাক্না পৈরমদ্র'সু মায় পাকপই কৈরাক্তুদি পন্দোল-লোম্না কারমখিবা ফিল্ম-দিরেক্টর কয়া অমসু লৈ, লৈরি, লৈরকখিনি।

মায় পাকপই ৱারী শারকপদা কেলিফোর্নিয়াগী রিচার্দ অমদি মৌরিস মেকদোনাল্দ অনীগী মমিং পন্দনা করম তোক্কনি! ১৯৪০দা কেলিফোর্নিয়াগী ষ্ট্রিট অমদা অচা-অথক য়োল্লম্বা, অনৌবা মওংগী পোৎয়োন অমা পুথোকপদা ঙাওজখিবা মচিল-মনাও অনীনা ১৯৪৮দা 'মেকদোনাল্ডস' হায়না মিংথোনবা রেষ্টুরেন্টশিং চেইন অমা শেল্লগা, মমিং শানবগী অশান'মল (পর্সেন্টেজ) লৌবগী চৎনবী হৌদোকখিবদুনা অতোপ্পা বিজিনেস কয়াগী লম্বী ফাৎখিবা - ৱারীনরি অসিসু।

চুজাক কবোক য়োনবা অমেরিকান 'ওভিল রেদনবেচর' না মহাক্কী 'রেদ বো' (অঙাংবা লীরুং) মিংথোনবা 'পোপ কোর্ন'- ইন্টরনেসনল ব্রান্দ করম' ওইহল্লকখিবা, শাংলবা ৱারী অমনি। ৱারীদুনি - মায় পাকপ'ই ৱারী হায়বদো। কার চাম্বা য়াওরগা, ইন্স্যুরেন্স এজেন্ট ওইরগা হিংনবই লম্বী থিরম্বা 'শিব খেরা' - ইন্টরনেসনল মোটিভেটর ওইদুনা, মাগী ৱাহৈ খরদুখক তানবা দোল্লর লিশীং কয়া পাম্মুবা খঙদা তিংথোরক্কনি - থাজরম্বগে কনানা? রেলৱে ষ্টেসন'দা চা য়োল্লম্বা নুপা অমনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইদুনা মালেমগী শক্তি লৈবা মী তরাগী মনুং চল্লক্কনি, ইমুং-মনুং মরী-মতা পূম্নমক তুংওইনদুনা লৈবাক্কী মী ওইরক্কনি - খল্লুদবনি কনামত্তনা।

অসুম্না, লাইবক মথক মখা ওন্থোকখিবা, মায় পাকখিবা মীশকশিংগী মনুংদা, ঐনা কাউঙমদবা মীশক অমগা লৈ। মহাক অদুদি - মীগী মফি-মরোল শূরগা, কোনয়াই (ইষ্ট্রি) তক্তুনা মতূ-মচা থাক্লম্বা নুপা অমনা 'অইবা' (রাইটর) অমা ওইনীংলকখিবগী ৱারীনি। থবক ৱানা শূরুরগা অথেঙবা অহিং কয়াদা থৱায় হকচাং লুপ্তুনা ইখি থম্মোয় শোক্লবা, অৱা-নুংঙাই, অকি-অখং য়ান্নবা ৱারী কয়া। পব্লিশর কয়াদা ফোঙবীনবা থারুবা, অমগী মথংদা অমা মথং-মথং রিজেক্ট তৌরকখি। আশাগী ময়োল কংলকখি। 'ঐ অমুক হন্না, অইবা ওইগে খল্লরোই' - মাগী নুপীদা হায়রম্লগা ইকোন কোন্না ইবা উপন্যাস'তু অমোৎ-অকায় মরক্তা লংথোকখি। 'অসুক শাংবা লম্বী অমা লাক্লগা পন্থুং য়ৌরমদাইসিদা করিগী তোক্কদৌরিবনো' ... মাগী নুপীনা লাইরিক অদু খুনগৎলগা 'বিল থোমপসন' (পব্লিশর) দা থাখি। মহাক্নদি হায়খি 'কান্নদবা থবক্তু তৌরনু'। দোল্লর ২৫০০গী এদভান্স চেক অমা 'থোমপসন পব্লিকেসন হাউজ'তগী ফংবদা, মতৈ মনাও অনীদু অমনা অমদা মীৎচিনা পাউখোং চন্নখি। নীংশিংবীবরা, অইবদু কনানো? লাইরিক্তুনা করম্বনো? কোপি মিল্লিয়ন মঙা হেন্না য়োনখিবা লাইরিক অদু হোরর-ক্লাসিক 'কেরি'নি, ১৯৭৪দা ফোঙখিবা। অসুম্না পোকখি অমেরিকান রাইটর 'ষ্টেফেন কিং'। মায় পাকপা হায়বসিগীদমক নীংহন্নদবা হায়বসি খ্বাইদই মরু ওইবনি।

-*ইন্দ্রকুমার*

# নতৈমদুবু হীদাক কাপ্লম্লদ্রা?

ঐখোয় লৈকায়গী তাদা খোমৈদু ঐঙোন্দা কোভিদ ভেক্সিন কাপসি হৌরম্মী। মচিং ফরিনিনা ইতৈমদুগা হেক খৎনথোকই অহল ওইরকান্দা। মচা অনীদুসু পুরগা ইতৈমদুনা মপামদা লৈখিবদুদা তাদদু মথাদি ফজনা শারম্মী। মানা কোভিদ ভেক্সিন কাপনীংলিসি ইতৈমদু লৈজরম্লবদি অদুম পূন্না চৎচবা য়াবনি...।

তা খোমৈনা ঐবু কৌশিল্লগা নহান্দো ঐঙোন্দা করি হায়রক্কে হায়বদা, "নতৈমদুবু ভেক্সিনগা কাপ্লম্লদ্রা কাপ্লম্লোইদ্রা খঙদে, পঙশিদা শীনরকপসিদা ৱাখলসে য়াম্না লাংই"। ঐনা খুম্মী "তাদনা মথোং-মরম খঙদনা ফুনগৎলগা খংশাউ শাউগৎলগা ইতৈমদুগা খৎনরি নৎত্রো। খৎনরিদুসু খম্বল চাউবদগীনি, ইতৈমগী ওফিসকী মী অমনা ফোন তৌরক্লগা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী মরম অমা হংজরকপনি অদুদা ইতৈমনা - নাইট দ্যুটি লৈ ঐদি হায়রুবগীদমক, তাদনা ৱাখলনা শাগৎলগা কৈনো-কৈনো তাবা ঙমদবা ৱাহৈ কয়া চৈ থাংবদগী নৎত্রা চৎখিবদো"... "ইতৈমদি নহান্না কাপ্লম্লনি মোইদি ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রনিনা। তাদনা করিগীনো ৱাবীরিদি"? "হৈ তেম্বা নঙ মতোইনরা"- হা হা হা নোকমিন্নে তাদগা...

"তারিব্রা তেম্বা, নয়াম্বা ঐসে হন্দক ইতোমতা রেদিও অমা শুংথা থাদ্রে। নুমিৎয়ুংবা অদুৱাইদদি নুংঙাই-নুংঙাইবা প্রোগ্রাম ঙাক্তনি। কোভিদ লাইচৎ মনুংদা পূক্নিং ৱাখলগী মরমদা সাইকিয়াত্রিক ডাক্তর অমনা ফজনা হায়খ্রে। মদু মুন্না তারুবদগী নয়াম্বসে ৱাখল খংলাক লাকপগী ৱানি হৌজিক্তি। নতৈমসু মচিং অমগী নুপীনিদো। মানা কোভিদ ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রনি কায়দনা নর্স ওইবসি ওন্থোক্না পাখৎখ্রে। ডাক্তর ফাও শীজিল্লক্লবা মতমসিদা..."

"ফরে অদু তেম্বা, নয়াম্বগা হয়েংদি ভেক্সিন কাপ্পগী অমুক্তা চৎলুসি, ঐখোয় খুঞ্জাও মখা লৈকায়গী পি ঐচ সীদুদা।"

নোংঙাল্লে, তাদা খোমৈদু ঙন্তা লাক্লগা হৌরৈ। চৎমিন্নরে, ঐদি মফমদু ফজনা খঙই ইতৈমনা থবক তারিবা পি ঐচ সীদুনি, ঐখোয় তাদা খোমৈদি খঙজপোৎ নত্তে। মিং রেজিষ্টর তৌরে মথং-মথং কৌশিল্লক্লগা কাপ্পা হৌরে... তাদগী মীং টি ঐচ খোমৈ চঙবীরকউ কৌশিল্লক্লে... পি পি ঈ শেৎপা নর্স অমনা ফজনা নীংথিজনা কাপ্পীরে... তাদদি করিমত্তা খঙজপোৎনত্তে। নুমিদাংদা ইতৈমদুনা ফোন তৌরকই ঐঙোন্দা। "ঙসাইগী হীদাক কাপ্পা নর্সতু নোই নতৈমনিনে, নোই তাদা খোমৈদু কৈসু তৌদ্রা। খঙদ্রেদা তেম্বা, নোই তা খোমৈসি নুংশু নুংশি অদুবু মাগী কারন্দা ফুনগৎলগা শাউবসিনি, ঐসু মাগা চপ মান্নবা হায়বদুনি, ঐসু শাউরগা ফুনগৎপা, তাদা"... হা!



ফাথবা ঙমহৌদবা অমা লৈ অদুদনিনে খৎনরিসে" তেম্বনা করি হায়গে হায়বদা "অদুদি ঙানুগা-খোংবানগা, চফুগা-উয়ানগা হায়বদু তারেনে, তাদগা ইতৈমগা চপ মান্নরে। থোইনবা য়াওদ্রে দ্রো চৎলে।"

নোং ঙাল্লগা তাদা খোমৈনা ঐঙোন্দা করি হায়গে হায়বদা ঙরাংগী নর্স হীদাক কাপ্পীদু য়াম্না হৈ নোই নতৈমদু নীংশিংলকই...। "তাদবু নুংশিজবদগী নাদনবা ফজনা কাপ্লকপা ওইরমনি। তাদা, ইতৈমা নীংশিংলক্লিসিবু, ইতৈমদুবু তাদনা হৌজিক ফাওবা নুংশিরিব্রা?" খোমৈনা খুম্মী "নতৈমদু ওন্থোক্না ৱানা পুরকপনিনে, কৈদৌ নুংশিরোইদোইনো" তেম্বা নোকফেৎ তৌই। "তাদা ইতৈমনসু তাদবু নুংশিরিবনে খুদম হায়ববু, ঙরাংগী ভেক্সিন কাপ্লকপদা তাদনা নাদে হায়বদো তাদবু নাদনবা নুংশিনা কাপ্লকপগীনি, নর্সতু অতৈ কনাসু নত্তে ইতৈমনি

(কোভিদ লাল্লক্তা ইখিবা) -**আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

# চীংলৈবাক মণিপুরগী নুংশিবা শৈরোল শৈথারিবা অমসুং কন্টেম্পররি মণিপুরী খুন্নাইগী মশক উৎলিবা শৈরেং লাইরিক 'চীংনুংখোংগী মপাউ' দা মীৎয়েং অমা


হুইদ্রোম ওথেল্লো ১৯৭১দা পিশুমথোং ওইনাম লৈকায়দা পোকই। হুইদ্রোম ইবোতোন অমদি ওক্রম নিঙোল হুইদ্রোম ওংবী তোম্বী অনীগী মচা তরাহুমদোইগী মনুংদা মহাক্না মাপলশুবনি। ইম্ফাল কোলেজদগী সাইন্স গ্রেজুএট লোইশিল্লবা মতুংদা হৌজিক-হৌজিক মণিপুর লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরি। চান্দম নিঙোল হুইদ্রোম ওংবী ইনাওগা পূন্সি খোঙলোই ওইদুনা মপারী অনীগী অপোকপা হায়বদু ওইবা ফংজখি। রাইটর্স ফোরম ইম্ফালগী অচংবা থৌমীনি। কুমজা ১৯৯৩দা মহাক্কী অহানবা শৈরেংগী লাইরিক 'নীংতম্বা' হায়না মিংথোনবা অসিমক মণিপুরী খোরিরোলদা অঙনবা মতমদা খুদোল তমখিবা লৈরে। মতম ফনা কুইনা কেকু লোৎলুরবা চহী কুন্তরেৎকী মতুংদা মহাক্কী অনীশুবা শৈরেংগী লাইরিক 'চীংনুংখোংগী মপাউ' হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি অমুক খুদোল তম্লক্লি।

মীওইবগী পূন্সিনা তল্লিবসি নীংশিংবনি। নুংশিবা থৌদোকশিং, ৱারীশিং পূম্নমক কাউবা ঙমদে। পূম্নমক্তগী নুংশিবা শক্তমদি ইমানি। ইমানা তাইবঙ মপোক্তা পোকপীদুনা তাইবঙ মীওইবনা মালেমদা চাদা নাওদা মথং-মথং থনল্লি লেপ্তুনা। ঙসিগী মীরোলনা হয়েংগী মীরোল অমা শেল্লমগনি। অসুম্না লেপ্পাইদনা চৎলিবা তাইবঙ খোঙচৎ অসিদা লাইবক ফবা পুংফম অমদা মালেমসিদা খোঙদারকখি অশৈবা ওথেল্লোসু। অইবগী পূন্সিদা থেংনবা, থম্মোয়দা পূক্নিংদা মতম খুদিং লেংদ্রবা মমি অমা তাদুনা লৈরিবা পলেম মমাগী শক্তম অমা নীংশিং লমায়দগী পুথোক্লক্তুনা য়েক্লি নুংশিরবা ৱাহৈশিংনা অদুঙৈগী পূন্সি মহিং অদুবু শৈথাদুনা। অদুনা নুংশিনা মিংথোল্লি মহাক্কী শৈরেং লাইরিক অসিগী অহানবা শৈরেং অসিমক 'খোঙদারকখি অসুম্না' হায়না। শৈরেংগী পন্দুপ খরদা হৌখ্রবা মতম অমগী খুন্নাইগী পূন্সি মহিংদু মিৎমাংদা তশেং-তশেংনা উহন্দুনা শৈথারক্লি, 'চক্রিদা ফৌ তক্লম্বা/শূম্বলদা ফৌ শুরম্বা... মথায়-থায়নগী ৱারীনি/লীবিরম্মী ইমানা... ঙসিদি/ইমাগী নীংশিং কুমওন্না লাকপদা/নীংশিংহল্লে ফুঙ্গা ৱারীগুম/করম্না তাইবঙদা খোঙদারকপা..." (লা: ২)

লৈঙাক্কী হেল্থ দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরুবনা মণিপুরগী লোইজি-লোয়া, চীংয়া-তময়া কয়াদা মথৌ পাঙথোকপা চৎপদা থেংনরকপা নীংথিজরবা খুঙ্গংশিং, মবুক মপাউ ফরবা লমদম অসিগী ফূরুপ কাঙলূপ কয়াগী মীওইশিং, মখোয়গী মীয়োক-মীচান ফবা মতৌ পূম্নমক কাউবা ঙমদে। ইম্ফালদগী কিলোমিটর কয়া গাড়ী থৌদুনা চৎলগা মণিপুরগী অৱাং মায়কৈদা লৈরিবা নীংথিজরবা খুঙ্গংশিংনি অশৈবনা শৈথারিবা। 'তুম্ফুং খুঙ্গং' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা লমকোই ৱারীগুম্না, প্রোজ পোইত্রিগুম্না খুঙ্গং অসিবু উহল্লি। রোমান্তিক কবিগুম্না মহৌশাদা ঙাওজবগী মশক অমসু শৈরেং অসিদা উবা ফংই। মহৌশা লাইরেম্বী মহাক্কী ইরিক ইচুম থক্তুনা, মহাক্কী হি-য়াইনা চাউরক্লবা কবিনা করিগুম্বা খরদি তৌবীমল খঙবসু উৎনীংই। পীনহৈবী ইমা মহাক্কী মফমদা থম্মোয়দগী থোক্লকপা শেংলবা য়াৱানা ফোঙদোক্লকই, "চহী কুমজা কয়া কয়া/চীংজুমগী লাইজ-ঈশিং থক্ল-থক্লগা/করি মপাউনা খুদোল তমগনি/হংজৈ ইদোম ইথন্তা... লোকচপকী ঈশিংখোংগী মপাউ/তত্তনা য়ৈরি ঙসিসু।/তম্ফুং খুঙ্গং, থুয়েং, চাকা, বেন্দ্রামাই/য়াংখুলেন, ৱিলোং, রাজামাই... খুঙ্গংগী লম্বীনি খোয়দাজরিবা... মহৌশা ইমাগী খূৎশেমনি, খুদোলনি...। অমরোমদা অমুক অৱাৎ অপানা থল্লবা চাকথুং ফিথুংদ্রবা অদুগুম্বা খুঙ্গংশিংগী মীওইশিং অদুগীসু করিগুম্বা খরদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাঙথোকহন্নীংই। অসিগুম্বা চীংনুংখোংগী মপাউ অমা তল্লি শৈরেং অসিদা। চীংনুং মনুংদা আশা কয়াগা লোয়ননা হিংলিবা মখোয়না আশা অমদি তৌদুনা ঙাইরি অফবা স্কুল, অফবা লায়েংশঙ, অফবা লম্বী, অফবা থক্নবা ঈশিং করম্বা মতমদা ফংগনি হায়না। অদুনা হায়রক্লি কবিনা 'করম্বা নুমিৎ-থা করম্বা কুমওন্দা/হেন্না শাফগনি খঞ্জরি/... চীং কাসি চীং চৎসি... পূন্সিগী ইথৌদাং পাঙথোক্লুসি...' (লা: ৫)

ৱেষ্টর্নাইজেসনগী কল্লবা শাফু মরক্তা ইপু ইবেন্না চৎলম্বা লিক্লমদা ইনাৎপু ঙাক্না চৎপা, চৎনবীবু নুংশিনা থাগোন্নদুনা থম্বা, হৌরকফম্বু কাউদনা মতম খুদিং নীংশিংবা হায়বসি অচৌবা চেলেঞ্জ অমা ওইরক্লিবনি হৌজিক্কী মতমদা। পূম্নমক ওইদুনসু থায়নগী চৎনবী থাজনবী অসিবু ঙাক্না চৎলিবা নুংশিনা লুনা খল্লিবা ফূরুপ-কাঙলূপ অদুগুম্বা খুন্নাই অদুদি হিংদুনা অদুমক লৈগনি। অদুগা মসিবু থৌওইদবশিংনা তপ্পা-তপ্পা খোঙ্গুল মুৎলকই। থায়নগী ত্রেদিসনবু ঙাক্লিবা অমসুং চৎনবীবু লুনা লৌরিবা খুঙ্গংশিংগী মপাউ অদু শৈথারক্লি কবিনা লাইরিক অসিগী মরিশুবা শৈরেং 'য়াংখুলেন খুঙ্গং' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা। য়াংখুলেনগী লেন্দস্কেপ অমা মিৎমাংদা ৱাহৈনা শক্তম শাগৎতুনা ইরক্লি,





লাইরিক্কী মমিং :- চীংনুংখোংগী মপাউ
অইবা :- হুইদ্রোম ওথেল্লো
অতেংবা :- রাইটর্স ফোরম ইম্ফাল
লাইরিক্কী মখল :- শৈরেং
লমায় মশীং :- ২০৬
লাইরিক্কী মমল :- লুপা ৩০০/-
লাইরিক্কী মখুম :- কোন্থৌজম মাইকেল মীতৈ

"য়াংখুলেনগী চীংদোল অৱাংবা/সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন/য়াংখুলেন ৱিলোং লম্বী পাৎ/.... কোরৌনা কোকতোন ঙানগুম/শঙ্গায় পরেং লেংলিবা/কৈরাক মথুপ নাইরিবা/য়েক্লবনা লান্দাবা ঙমদনবা/ঙান্থোইরি চেকশিন্না/ইপানাৎ ইপুনাৎ খুদম ওই/... রেহাংকি, রেলৈকি (পাখঙফান লৈশাফান)/য়েংলু উরু কুমওন কাংদা/চৎনবীবু ঙাক্লিদো..." (লা: ৭)

"অরিকপা ৱাহৈ' হায়না মিংথোনবা শৈরেং অসিদা কবিনা মণিপুরগী য়েলহৌমী ওইরিবা মরু ওইনা মৈতৈনা য়াইফ-য়ূম্বালগী থৌশিল হৈবা পাম্লুবনা চহী খরসিদা মী মশীং হম্থরক্তুনা দেমোগ্রাফিদা চাউনা অকায়বা লাকপা য়াবগী ফীভম লাকশিল্লক্লি অমসুং ইশাগী ইরমদমদা খূৎকন পাঙ্গলনা হিংবদা ৱাহং কয়া থোক্লক্লিবা অসিদা নিংদোল পোমদুনা শৈরেং অসিগী ৱাহৈ খরদা নুংঙাইতবা ৱাখল মতা অমা অসুম্না ফোঙদোকপা থেংনৈ, "অশুকপা উমং কিদুনা/অঙম্বা লম্বী কারিঙৈ/অশম্বা লম্বী চৎলুবা/পূন্সিনা পন্থুং অমগী/চাকখুম মশীং য়ামদ্রগা/তুংগী মীরোলনা কদোমদা? (লা: ২২)

মণিপুরগী খুদোংচাখিদ্রবা নেসনল হায়ৱেশিংদা নোংমদা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং মপাল লমদগী অহিং নুংথিল, নোংজু-নুংশা খায়দনা তূম্বা মচেৎ, চাবা মচেৎ, অহিং মিংশেল খাংদুনা চাউরবা ত্রক কয়া থৌরিবা থৌনা ফরবা হায়ৱে দ্রাইভরশিংদা মপূংদা শৈথাদুনা ইবা শৈরেংনি 'হায়ৱে দ্রাইভর'। কবি মশামক্না দ্রাইভর অমগী পূন্সিদা থেংনরিবা অৱাবা, নুংঙাইতবা, খুদোংথীবা অমদি নেসনল হায়ৱেশিংদা শকখঙদবশিংনা ঙাইহাক লৈতনা লম্বী থিংদুনা নোংমৈ চিন্দোলদা শেল খায়রিবা, শেল পীয়ু য়াদ্রগনা মরাল লৈজদ্রবা হায়ৱে দ্রাইভরশিংবু ওৎ-নৈবা, ফূবা-চৈবা, হাৎতোকপীবা অসিগুম্বা তাহৈ-উহৈদবা থৌদোকশিং অসি দ্রাইভরশিংগী পূন্সিদা থোকহনবীগনু হায়না তাইবঙ মপূগী মফমদা থৌনিজবনি। শান্তিবু ইখৌ লাংলিবা কবিনা দ্রাইভরশিংগী অৱাবশিং উদুনা, থেংনদুনা শৈথারক্লি, "ইমুং মনুং হিংমিন্না/শাগৈ নাতৈ লিংদুনা/জাৎ-বিজাৎ খায়দনা/পূন্না খুন্দা লৈতামিন্নরিবা/লাইরৈপাক কৌবা লমদমনি/মীকপ মীরাওখোল তানীংদে/কায়না মৈচাকসু খাঙহন্নীংদে/.... মীৎকুপ খুদিং কিহন-খংহন্দুনা/করিগুম্বদা থৱায়গা হকচাংগদদি শেৎনহন্দবা... ইচাশিংবু লাইরিক তম্বদদি/মপূং ফাহনবীয়ু/মপূগী থৌজাল নীজরি" (লা: ২৫)। 'হায়ৱে দ্রাইভর' দা উৎলিবসি পাম্বৈ লৈতবা মতৌদুনি। হিংদবদি য়াদে। অদুনি অৱাবা ওইরিবসিসু। ফজবা শৈরেংনি। রিএলিটিদা ফোকস তৌরগা থম্মোয় পাউদম অমা থম্বনি।

হৌজিক মালেম নোংখোঙ কোয়বদা থেংনরিবা শাথীরবা খুদোংচাদবশিং অৱাবা, নুংঙাইতবা, লায়েংবদা ৱারবা লায়না লাইচৎশিং, মথোং খঙদবা মতৌ অসিগুম্বা ইস্যু কয়া মায়োক্নরিবা অসিদগী শাফগদবা থৌওংশিং পায়খৎতুনা থেংলবসু থেংনা কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল অসি মহৌশাগী হান্নগী ফীভমদা খল কায়দনবা মালেমসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংনা হোৎনমিন্নসি হায়বগী পাউজেল পুবা শৈরেংনি 'মালেমগী অঙ্গং অশাগী খল' হায়বা শৈরেংসি। কবিনা হায়রক্লি, "হো মীওইবা খুন্নাই/মরূ হুল্লে হরাওনা খঞ্জবা/মথংগী চারোল শুরোল চত্থরনি চাউথোকচবা.../মীকানরি মহৌশাগী লৈনুংগী লন/চাওখৎ লমজেল তান্নরিঙৈ.../উন মপৈ মপৈনা নীংখায়রক্লি তপ্পা তপ্পা/...য়েংদুনা নীংঙাইদনা লৈথোক্লনু.../মালেম পৃথিবী অমুক্তংদি কনসি।" (লা: ৩০)

লৈঙাক্কী ৱায়েল লোইশঙ লৈরবসু, ৱায়েল কাতিনা মথৌ নীংথিজনা তৌরক্তবা মীকুপশিংদা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়াদি অদুম্মক থোক্লি ঙসিসু। অরানবা পাউদা য়ূম্ফম ওইদুনা মরাল শুক্লে লৈজদবা মীওইশিং ফাওবা মোব জষ্টিসতা ভিক্তিম ওইবা য়াওদবা নত্তে। অচুম-অরান থিদোকপা নংদ্রিঙৈদা, মরালগী মতুংইন্না ফংফম থোকপা চৈরাক পীগদবদু পীদ্রিঙৈদা অৱাফমদা তাখিবা মীগী মশীং ফনা য়াল্লমগনি লমদম অসিদা। খন্থহৌদবা মীকুপ্তা ওইহনখিবা অমাঙ-অতা কয়া, পূন্সিগী কোক্লরোইদবা দাকফমশিং অদুগা অথীবা মীংচৎ পূম্নমক ৱায়েল লোয়শঙ লৈরি কাউথোকপগুম চৎনরকপা সিষ্টম অমা লাকপসি নুংঙাইতে। অসিগুম্বা মোব জষ্টিস অসি তৌহন্নীংদে কবিনা। অদুনা কবিগী 'মোব জষ্টিস' হায়বসিদা অসুম্না ইরক্লি, "... অচুম্বা ঙাঙবা কিরকপা/অকনবনা অশোনবশিংবু তুহৎপীবা/খন্থহৌদবা মীৎকুপ্তা/ফৌহামগা ৱাইকুপকা/য়ানশিন্নখিবা পাংখক ওই/... অশিবতনা মাঙজবা/নোংঙাল্লগনা য়াৎলি লম্বী লীক্লম/ফক্লাং মরিগী কৈশুমশঙ!" (লা: ৪৭)

হৌখিববু নুংশিনা নীংশিংদুনা পূন্সিগী ৱাহন্থোকপু থিরকঙৈদা কবিনা অমুক নৌহৌনা থায়নগী হেন্তাক্কী মহাউ অদু ঙসিদি চাওখৎপনা লাক্লিবা অহোংবা মরক্তা অমুক পংনা উখিদ্রে হায়না নুংশিনা শোঞ্জবা শৈরেংনি 'হনুবী হেন্তাক'। অদুনা নুংশিনা শোল্লকই, "নীংশিংলকই অঙাং-নাৱা ওইরিঙৈ/তম্বীখিবা অপোকপী ইমানা/হনুবী হেন্তাক শুবা/অদুবু ঙসিদি ঙম্নমক/চাওখৎপগী ঈচেলনা পুথখ্রে/হনুবী হেন্তাক/ঐখোয়গী হেন্তাক!" (লা: ৫৯)

ফজরবা থিম কয়াদা ইবা শৈরেং মরাং কায়না লাইরিক অসিদা য়াওবা থেংনৈ। মপূংদা নীংথিজরবা চীংলৈবাক মণিপুরবু নুংশিনা শৈথারি অদুগা অমুক লমদম অসিগী ইস্যুশিং, খুদোংচাদবশিং, খুন্নাই অসিদা মায়োক্নরিবা অৱাবা নুংঙাইতবশিং পুথোক্তুনা নৈনরি। পাম্বৈ থিদোকসি হায়না ফোঙদোক্লি। নুপী ওইবীশিংনা খুন্নাই অসিদা লৌরিবা থৌদাংশিং শীংথাদুনা ইরি। ঈংনা-চিক্না শান্তি লৈবা লমদম অমা ওইহন্নীংই। মতুং তারকপদসু ফজরবা লাইরিক অদুমক মণিপুরী খোরিরোলদা খুদোল তম্লকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি।

- *তোংব্রম অমরজিৎ*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯

১) **"গর্গ-সংহিতা : মাধুর্য্য-খণ্ডম্"** হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?
২) **"মঙাল য়াওদ্রবা নুংথিল"** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৩) **"এংগল্‌ কয়াদগী লৌদুনা য়েক্লবা
নঙগী শক্তম্‌শিংনা অৱাঙ্‌বা কলাগী
খূদোল্‌ ওইনা চীংলেম্না মফম কল্লি
মালেম্‌গী মচি মচিদা লৈরিবা আর্ট গেলেরিশিংদা।"** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
৪) **"মল্লবা খাঙপোকশঙ"**হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবসি কনানো?
৫) **"নুপী অমসুং মমিশিং"** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো অমসুং লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।